## ম্যানমারদা কলচরেল দেলিগেসন চৎকনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ঃ* য়ুমথংনরিবা লৈপাক ম্যানমারদা মনিপুরি (ইন্দিয়ান) কলচরেল দেলিগেসন অমা চৎকদৌরি। খোঙচৎ অসি লাক্লিবা তাং ১৫ গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা দিরেক্তোরেট ওফ আর্ট এন্দ কলচরগী প্রেমিসেসতগী হৌনবী মতুং ইন্না কম্মিস্নার (আর্ট এন্দ কলচর) ডা. আর কে নিমাই সিংহনা লমথাগনি হায়রি।

## গুরু নিংঙোম্বম লৈরেঞ্জাও নিংশিং মনা

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ঃ* অনিরকশুবা ওইনা গুরু নিংঙোম্বম লৈরেঞ্জাও নিংশিং মনা ২০১৪ পীবগী থৌরম লাক্লিবা তাং ১৬ শগোলশেন নুমিত্তা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা খোঙমন জোন ৫ দা লৈবা নিংঙোম্বম লৈরেঞ্জাও সেন্টর ওফ পুং দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

থৌরম অদুদা থোংজু কেন্দ্রগী এম এল এ টিঐচ বিশ্বোর্জিৎ সিংহ, ষ্টেট একাদেমি এৱার্দি এ চিত্রেশ্বোর শর্ম্মা, মনিপুর ষ্টেট কালা একেদেমিগী সেক্রেটরি এস বিদেশ্বর শর্ম্মা অমসুং জিল্লা পরিষদ মেম্বর টিঐচ (ও) অমিরানি দেবীনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নবা মীথুংলেন ওইগনি।

## নেসনেল দিজাষ্টরগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ঃ* ইম্ফাল ইষ্ট – ৱান অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট –২ সি দি ব্লোক্কী মনুংদা লৈবা গ্রাম পঞ্চায়টশিংগী প্রধান অমসুং মেম্বরশিংগী ওইবা নুমিৎ ৫ নি চত্থগদবা নেসনেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী ত্রেনিং প্রোগ্রাম লাক্লিবা তাং ১৫ দগী পোরোম্পাৎ পঞ্চায়ট ভাবনদা হৌরগনি।

ইম্ফাল ইষ্টকী খোংমনদা লৈবা য়ুনাকো গ্রুপনা স্পোন্সর তৌরগা নেস্নেল সেলফ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওর্গনাইজেসন কাঞ্চিপুরনা শীনগদবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী মরমদা খঙ হৈরবা কয়ানা তাকপী তম্বিগনি। অদুনা প্রধান অমদি মেম্বরশিং অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা পঞ্চায়ট ভাবনদা লাক্কুনা প্রোগ্রাম অসি য়াওবিরনবা সেক্রেটরি এন সনাজাওবা সিংহনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লি।

# ঙসি জিরি লম্বীগী লাংজিং অচৌবা ত্রক পার্কিংদা ২৫ রক শুবা দ্রাইভর্স দে পাঙথোক্কনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ঃ* মমাং চহিশিংদা পাঙথোকপগুম হন্দকসু ওল মনিপুর রোদ ত্রান্সপোর্ট দ্রাইভর্স এন্দ মোটোর ৱার্কর্স য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা হয়েং তাং ১৪ দা ২৫ রক শুবা দ্রাইভর্স দে থৌরম ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পাৎসোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লাংজিং অচৌবা ত্রক পার্কিংদা পাঙথোক্লগনি।

য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ কুল্লমনি সিংহনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইরমদমগীদমক তুমফম চাফম খঙদনা নোংজু নুংশা থিদনা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা মথৌ তৌবদা লৈখিদ্রবা দ্রাইভরশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎপনা থৌরম অসিগী মপুং ওইগনি। দ্রাইভরশিংবু হন্থবা মীৎয়েংনা য়েংলকপা অমদি ওৎপি নৈবিরকপদগী থৱায় শোক্লবা দ্রাইভর লিশিং লিশিংনা ইং ১৯৯০ গী জনুৱারি তাং ১৪ দা কোইরেঙ্গৈ এয়র ফিল্ডদা চংশিনখিবা খোঙজং অদুদগী ঙসি ফাওবা জনুৱারি তাং ১৪ বু দ্রাইভর্স দে হায়না থৌরম পাঙথোক্কুনা লাকখিবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ১৯৯০ গী জুন থাদা নাগালেন্দগী জুবজাদা মশক খঙদবা খুৎলাই পায়বা মীওইশিংনা মহৈ তমজরিবা হেন্দিমেন অমবু হাৎতোকপিরকপদগী পেন্দ্রবা দ্রাইভরশিংনা মাল গারি লিশিং অমরোমগা লোয়ননা ইম্ফাল সহরগী অকোয়বদা চৎখিবা রেল্লি অমদি নুমিৎ ৯ নি চুপ্পা কোইরেঙ্গৈদা খামদুনা চংশিনখিবা খোঙজং কয়া অদু দ্রাইভরশিংগী ইতিহাসতা মতম চুপ্পগী ওইনা নিংশিংদুনা লৈহৌরগনি। মনিপুরগুম্বা রোদ ত্রান্সপোর্ট নত্তনা পোৎ চৈ পুথোক পুশিন অমসুং চখোক চৎশিনগী উপায় লৈত্রবা ষ্টেট অসিদা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া পুশিল্লক্লিবা দ্রাইভরশিংদা মীয়ামগা লৈনরিবা শেৎন–থানবা য়াদ্রবা মরি অদু ঙসি ফাওবা দ্রাইভর্স য়ুনিয়ন্না ঙাক্কুনা লাক্লি। অদুবু য়ুমথংনবদা লৈবা ষ্টেটশিংদা দ্রাইভরশিংবু হন্থনা য়েংবগী অৱাবা অদুদি ঙসিসু মায়োক্লরি।

ভেন ৱাইদুনা পুবিখ্রগা দ্রাইভরবু তমথিনা হাৎখিবগী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ অসাম মনুংদা গ্যাস সিলিন্দর পুদুনা লাকচবা গারিগী দ্রাইভর হেন্দিমেন হাত্তোকপিখিবা, পিপিমা চীং নিংখায়বদা, গারি মনিং হনবদা খজিক্তুং থেংলুবগী দ্রাইভর হেন্দিমেনগী পুন্সি লোমখিবা, শক খঙদবশিংনা শেনখায় থুমখায় পীদে হায়দুনা তমথিনা ফুবিখিবা অমদি য়াইরিপোক্তগী দ্রাইভর মপা মচা হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদবদগী নিংঙমদবগী মৈচাক কোক্রি। সদর হিলস বন্দদা নেস্নেল হায়ৱে ৩৭ কী কৈথেলমানবীদা কৈরাওদগী রহমনগী পুন্সি মাঙখিবা, দিমাপুরদগী এফ সি আইগী চেং পুরগা লাকপা ৱাংজিংদগী নিংঙোম্বম গভরধোন কোহিমাদা শক খঙদবশিংনা হাত্তোক্লগা থম্বীরম্বা, জিরিবামদগী এফ সি আইগী চেং পুদুনা লাকপা সমুরৌদগী বাবু সিংহ কোটলেন্দা শকঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাত্তোকপিবা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অমুক হন্না থোকহনবীগনু, দ্রাইভরশিংবু হন্থনা য়েংবিরিবা অসি তৌবিগনু হায়না ঙসি ফাওবা হায়জদুনতা লাক্লি। লম্বীগী ফিভম অশুক্কী মতিক ফত্তবতা নত্তনা মায়কৈ খুদিংমক্তা দ্রাইভরশিংবু য়েক্লবা ওইনা উবিরিবসি তৌবিগনু। মতম পুম্নমক্তা দ্রাইভরশিংবু মীনুংশিগা লোয়ননা তেংবাংবিয়ু হায়নসু মখা তারি।

# মরিশুবা বরাক গেমস জিরিবামদা হৌখ্রে



*জিরিবাম, জনুৱারি ১৩ঃ* বরাক ব্রদর্স য়ুনিয়ন জিরিবামনা চহি খুদিংগী পাঙথোকপা বরাক গেমস ৪ রক শুবা ওইনা ঙসি নেতাজি গভর্নমেন্ট হায়স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দা হৌদোকখ্রে।

জিরিবাম সব দিভিজনগী বরাক সর্কল হায়রগা খঙনবা মফমগী ওইনা চহি খুদিংগী গেম অসি পাঙথোকপনি। ঙসি গেম ৪ শুবা বরাক গেম হৌদোকখিবা থৌরমদা জিরিবাম ব্লোক কংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট মুকুলচন্দ্র দাসনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি।

নোর্থ ইষ্টতা অহানবা ওইনা নুপীগী মায়োক্তা চত্থবা হিংসা লেপ্পু হায়বা শান্তিগী পাউজেল পুদুনা মতোমতা সাইকল থৌদুনা চৎখিবী জিরিবামদগী এস বিদ্যলক্ষমী লৈমনা বরাক গেমস অদুগী মৈরা পুদুনা চুখৎপগা লোয়ননা গেমস অদু হৌদোকখি। অমদি তোঙান তোঙানবা কলচরেল ত্রুপশিংনা প্রোগ্রাম কয়াসু উৎখি। থা অসিগী তাং ৩০ ফাওবা চত্থগদবা গেম অসিদা তোঙান তোঙানবা মশান্না ১৬ য়াওরি। মশান্নশিং অদুদি নুপা অমসুং নুপীগী ফুটবোল, ভোল্লিবোল, ক্রিকেট অমদি এঠলেটিক্সনি। ফুটবোল মশান্নদা নুপাগী ওইনা টিম ১৬ অদুগা নুপীগীনা টিম ৬ না শরুক য়াখি। ভোল্লিবোলদা টিম ১০, ক্রিকেটতা টিম ১২ শু য়াওরি। আসামগী কাছার দিষ্ট্রিক্টতগী য়াওনা চুরাচান্দপুর অমদি জিরিবামদগী শান্নরোই কয়া গেমস অসিদা শরুক য়ারি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা নেতাজি গভর্নমেন্ট হায়স্কুলগী হেদ মাষ্টর শ্যামোল বোস, ১৯ – বোরোবেক্রা জিলা পরিষদকী মেম্বর শ্রীমতি অরচনা দাস, মার সুপ্রিম হাউস জিরি–বঙ্গাই রিজনগী প্রসিদেন্ট লালমিংথান অমসুং বোরোবেক্রা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান কুমারি পুতুলা দাসনা হৌদোকপা থৌরম অদুগী থৌরম মপু অমদি ইকাই খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

# দ্রাইভর্স দে মায় পাক্লা পাঙথোকপা ওইরসনু

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ঃ* চহি খুদিংগী জনুৱারি তাং ১৪ বু দ্রাইভর্স দে হায়না লেপ্পদুনা থল্লম্বা অসিমক মনিপুরগী লৌমী শিন্মী মীয়ামগী ইহৌ খুমাং চাওশিনবদগীনি হায়না লৌবগা লোয়ননা নুমিৎ অসিনা লাকপদা লৈখিদ্রবা দ্রাইভরশিংগী মফমদা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি (এম সি পি) মনিপুরনা ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

এম সি পি মনিপুরগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা নোংলেন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায় নুমিৎ অসিনা লাকপদা মনিপুরগী শিন্মী মীয়ামগী অৱাবদা লুপ অসিনা মখা তানা হাকথেংননা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়বগী ফিরেপ অদু চেৎশিনহনবগা লোয়ননা লৌমী শিন্মী মীয়ামগী থৌনা ফগৎনবা হোৎনবদা পুন্না চংশিনমিন্নসি হায়নসু পাউজেল পীরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবদি লৌমী শিন্মী মীয়ামগী ইহৌ অমা লাক্লিবা অমদি হিন্দু লাইনিংগী শোক্ল শম্নবা য়াদবগী মায়োক্তা মনিপুরদি অশুক্কী মতিক ঙন্না খুমাং চাওশিল্লন্লে হায়বসি লময়ানবা হিজম ইরাবতনা লুচিংবা মরু ওইনা লৌমী মীয়ামগী লালহৌগী য়াওল খোঙচৎ নৈনবদগী খঙবা ঙম্মী। লাইবক থিবদি লময়ানবা হিজম ইরাবতনা লৈখিদ্রবা মতুংদা মনিপুরদা কম্যুনিষ্ট লালহৌগী অশেংবা মশক লোইশিদুনা কম্যুনিষ্টকী মীংদা ৱাখল্লোন য়াওদনা নোংমৈ পায়দুনা লালহৌবা নৎত্রগা কম্যুনিষ্টকী মীংদা মীয়ামদা নমথাক তৌদুনা ভোট লেপ্পা কাঙবুনা খুদুম চনখিবদগী লায়রবা লৌমী–শিন্মী মীয়ামগী লালহৌ অমা শাগৎপা ঙমদনা লাকই। পুম্নমক অসি ওইদুনসু ৱাখল লৌশিং চাওরবা মনিপুরগী লৌমী–শিন্মী মীয়াম্না নোংমগী চরা নোংখন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থাক্তা লাম্থেংনদুনা লাক্লি হায়বসি মনিপুরগী দ্রাইভর মীয়াম্না জনুৱারি ১৪ বু দ্রাইভর্স দে হায়না পাঙথোক্লিবা অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি।

নিংশিং থৌরম অসিনা লাকপদা মনিপুরগী শিন্মী লুপ খুদিংমক্কী মফমদা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মনিপুরগী সেন্ত্রেল কম্মিটি মেম্বর অমদি পার্টি অসিগী লান্মী শঙলুপ অমা ওইরিবা ন্যু পিপলস মিলিসিয়া (এন পি এম)গী লান্মী খুদিংমক্লা য়াওলগী ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা থৌরম অসি চিঙ লেম্না অমদি মায় পাক্লা পাঙথোকপা ওইরসনু হায়না পাউজেল পীরি। ঙসি ফাওবদা মনিপুরগী লুচিংবশিংনা কুন্নৈ হরাও কয়াগী য়াইফ পাউজেল পীবা থেংনরমগনি অদুবু লাইরবা লৌমী শিন্মী মীয়ামগী মরুওইনা দ্রাইভরশিংগী অঙাংবা ইখেংতনা পুরকখিবা দ্রাইভর্স দে অসিগীদমক ৱাহৈ মতেক অমা মশানা নীংশিংদুনা পীরকপা থেংনদ্রি। অদুবু মনিপুরগী দ্রাইভর ময়াম্না ঙসি দ্রাইভর্স দে হায়না নীংশিংমিন্নদুনা লৌমী শিন্মীশিংগী থৌনা ফগৎহন্দবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন অসি হেন্না চেৎশিনমিন্নরসি। মনিপুর মাওইষ্টনা নীংতম ইহৌ অমা চংশিন্নবা ৱারেপ লৌরক্লবা মতুংদগীদি ঙসি ফাওবা লাইরবা লৌমী শিন্মী মীয়ামবু মতম পুম্নমক্তা নীংশিংদুনা লাক্লি হায়বসি হৌখিবা চহি খরা অসিদা হকথেংনরিবা লৌমী শিন্মী অমদি লাইরবা মীয়ামনা খঙই। লোয়ননা মখা তানসু হোৎনখিগনি। মালেমগী লাইরবা লৌমী শিন্মী মীয়ামগীদমক মে দে থোকখি। থৌরম অসি মনিপুরদসু পাঙথোক্লরি অদুবু মনিপুরগী শিন্মী মীয়ামগী অঙাংবা ঈখেং কত্তুনা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা শিন্মী দ্রাইভর কয়াগী নীংশিং নুমিৎ অসিবুদি মীয়াম্না মীরাইবগুম উরিবসি অচুম্বা নত্তে। নুমিৎ অসিবু ঐখোয়না শরুক য়ামিন্নসি। পুন্সিগী অৱাবা কোকথোংনবদা মোমোন মীনোক মশক খঙজদ্রবা লাইরবা লৌমী শিন্মী মীয়ামগী অৱাবগী ৱাহন্থোক খনবিয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।


## উমা আয়ুর্বেদিক ক্লিনিক

**ফহনবা ঙমখ্রে**

না–তাদবা, নুংশা শোৰগী লায়না, ঈশিং পুকচৎ, শম কেনবা অমদি কোক–তাংবা, থাগী রিতু কাইবা নৎত্রগা ফিঙৌ চৎপা, ফিৰু থুংবা, হক্তিন্নবদা শন্দোকপা লায়না নৎত্রগা গেনোর্রিয়া, নুঙশং, খোংহান্বা নুংঙাইতবা অমসু পুক শৌগৎপা

**অঙাং য়াওদবা নুপা–নুপীশিংগীদমক**

করিগুম্বা অদোম অঙাং পোক্রবা অমসুং মদুগীদমক অদোম্না নুংঙাইতবা পোক্লবদি ঐখোয়দা পাউফমদোকপীরকউ। ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা, কানরবা অমসুং অফবা মখলগী হিদাক্না অদোম শোয়দনা পুক্নিং চংখোল্লবা ইচানুপা ইচানুপী অমা ফংবা ঙমগনি। মৰমদি অঙাং য়াওদবা নুপাঋনুপী কয়ানা অঙাং ফংবা ঙমখ্রে।

**খ্বাং নাবা, খুউ নাবা, নঙ্গল নাবা অমসুং নাকল নাম্মা পংথবা**

কৰিগুম্বা অদোম নাকল নাম্মা পংথবা, খুউ নাবা, খ্বাং নাবা, খুনিং নাবা, পাম্বোম নাবা, লেংজুম নাবা, মখল খুদিংমক্কী তাং–তাং চীকপা–নাবগী অৱাবা মায়োক্লরবদি চানবিদুনা মফম অসিদা লাকপীয়ু। ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক হিদাকশিং শীজিন্নদুনা হায়রিবা লায়নাশিং শোয়দনা ফবা ঙমগনি।

**উনশাগী লায়নাশিং**

অঙৌবা পকপা, উনশাদা মচেৎ নায়না পোমথোকপা, লাইকোই, অমু–অমুবা দাগ তাবা, উনশাগী মহৌশাগী কুচ্ছু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং শোয়দনা ফহনবা ঙম্মী। নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা হিদাক শীজিন্নবদগী অঙৌবা পকপা মচু ওনবা হৌরক্কনি অমসুং লায়না অসি থা খরগী মনুংদা মপুং ফনা ফহনবা ঙম্মী। লাই থোকখিবগী দাগ ফাওবা ফহনবা ঙম্মী।

**লুহোংবগী পূন্সি নুংঙাইনা লেনবিয়ু**

**অদোমগী হকতিন্নবগী সমস্যা**

করিগুম্বা অদোম নুমিদাংদা মতোমতা ফন্বী চৎলবা, মপানথোকপা নৎত্রগা খোং হান্বদা ফন্বী চৎপা, ফন্বী মরাং কাইনা চত্তবা নৎত্রগা মহি লাংবা, শক্তি হন্থবা, ফিনুংগী হকচাং লীংখৎপা ৱাৎপা, থুনা ফন্বী চৎপা, নুপা নৎত্রগা নুপীগী মখল খুদিংমক্কী ফিনুংগী ওইবা লায়নাশিং লৈরবদি চানবিদুনা ঐখোয়গা পাউ ফাউনবিয়ু। ঐখোয়গী হিদাক শীজিন্নদুনা মীওই লিশিং ২০ হেন্না অসিগুম্বা লায়না ফহনবা ঙমখ্রে। ঈশিং পুকচৎ অমসুং হায় ব্লদ প্রেসৰনা মরম ওইদুনা অঙাং পোকপা ঙম্বগী শক্তি লৈতবা ফাওবা মফম অসিদা ফহনবা ঙমখ্রে।

**য়েংবদা পূক্লিং চিংশিনবা অমসুং মওং তাবা ব্রেষ্ট**

করিগুম্বা অদোমগী ব্রেষ্ট অদু পীক্লবা নৎত্রগা চোন্থরবদি অমসুং অদোম্না অদোমগী ব্রেষ্ট চাওখৎহনবা পাম্লবদি চানবিদুনা ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা আয়ুর্বেদিক্কী হিদাক লৈবিয়ু।

**লিঙ্গ চাওখৎনবা মেছিন**

কৰিগুম্বা অদোম্না অদোমগী লিঙ্গ শাংবা অমসুং চাওবা হেনগৎহনবা পাম্লবদি চানবিদুনা মফম অসিদগী মেছিন অসি লৈবিয়ু। মেছিন অসি শীজিন্নবনা লিঙ্গগী শাংবা অমসুং চাওথোকপা শোয়দনা ঙমগনি। লিঙ্গ লীংখৎপগী শক্তিসু হেনগৎহনগনি। হকচাংগী তোংশা অমসুং তাং–তাং চীকপা ফননবা হিদাকসু মফম অসিদা ফংগনি। মসিগীদমক ওর্দর তৌবিরকউ।

লিঙ্গ চাওখৎহন্নবা স্প্রে অমসুং ক্রিমসু মফম অসিদগী ফংবিগনি

**কমদৌনা য়ু থাদোক্কনি**

য়ুদা লাইচুরবা মীওইদা (মশাদা খঙহনদনা) ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক হিদাক পীজ পীথকপা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুংদা হরাও–নুঙাইবা হায়বদু হঞ্জিল্লক্কনি। মহাক সোইদনা য়াম্না থুনা লিকর/ য়ু থাদোক্কনি।

**অৰুম্বা হেনগৎহনবা**

চহী মতাং অমা হেক্তদা লৈবা মশা ময়াং কংবা, তাবা তাবাবা নুপামচা/ নুপীমচাশিংনা ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক্কী হিদাক শিজিন্নবা তাৰবদি নুমিৎ খৰানিদা হকচাংগী অৰুম্বা হেনগৎহনবা ঙমগনি।

LONG JOHN CREAM - The power of man, CHINEESE MADE ORGAN DEVELOPER & BREAST DEVELOPER ARE AVAILABLE HERE

***LOOSENESS OF PRIVATE PART***

If your private part has become loose due to encess sex, encess children leucorrhoea or any reason, then please contact us. It will be tight using own madicine surreLy. Your will be as young girl. no side effect.

***Please Contact:-***

**Dr. R.N.. Gupta (396)**

C/o Uma Ayurvedic Clinic

Thangal Bazar, Khoyathong Road,

Kwality Wall Ice Cream Building, 1st Floor

Khoyathong, Imphal - 795001 (Manipur)

*য়ু, হিদাক মনা অমসুং চুরুটতগী লাপথোক্কবা*

করিগুম্বা অদোম্না য়ু, হিদাক মনা অমসুং চুরুট শীজিন্নবা থাদোকপা পাম্লবদি চানবিদুনা ডা আর এন গুপ্তদা হকথেংননা উনবিয়ু









থৌবাল ৱাংমা তাবদা ঙরাং ৱাই ভি দল্লিয়ু দাইরি মিল্ক প্রোসেসিং প্লান্ট চিফ মিনিষ্টরনা শঙ্গাবগা লোয়ননা শঙ্গোম পুথোকপা মীওইদা খুদোলপোৎ পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখিবা

# এন পি এফনা কংগ্রেস নত্তবা পার্টিগা মীচং ওইবা য়াবগী পোরম য়াংখ্রে

*ন্যুমাই ন্যুজ নেটৱার্ক*

*সেনাপটি, জনুৱারি ১৩ঃ* পাঙথোক্কদৌরিবা ১৬ শুবা লোক সভা ইলেক্সন্দা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) মনিপুর ষ্টেটনা কংগ্রেস নত্তবা পার্টিশিংগা মীচং ওইবা য়াবগী পোরম য়াংখ্রে।

এন পি এফ মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী জেনরেল সেক্রেটরি অথুন অবোনমাইনা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা হায়, চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা পুথোক্কদবা এন পি এফকী কেন্দিদেটকী মিং চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা লাউথোক্কবা হোৎনরি। হৌজিক্কী ওইনদি কনাগুম্বা অমগী মিং লাউথোকপা নৎত্রগা ফোঙদোকপা লৈত্রি। অদুনা থা অসিগী অরোইবা শরুক্তা ওফিসিয়েল ওইনা লাউথোক্কবা তৌগনি।

কংগ্রেসকী ও ইবোবিনা লুচিংবা সরকারনা তৌরিবা অরানবা পুম্নমক লোক সভা ইলেক্সনগী কেম্পেইনদা মীয়ামদা খঙহনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোক্লদুনা কংগ্রেস সরকার অসিনা হ্যুমেন রাইটসকী মায়োক্তা থবক কয়া তৌরে অমসুং শাশিন্নবা নোংমৈ কাপ্পবগী থবক তোয়না থোক্লে হায়না মখা তাখি। মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন মথৌ তৌহন্দনা ইবোবি সরকারনা থল্লি হায়নসু চার্জ তৌখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, সরকারনা ষ্টেট চিফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নার হাপ্তবা অসি আর টি আই এক্তিভিষ্টশিংবু নমথবনি। অসিদসু নত্তনা শেঞ্জা থুমজাগী কেস পুম্নমক চপ চানা পুথোক্তুনা সেন্টরদা খঙহনগনি।

লোক সভা ইলেক্সনগী কেম্পেইনগা মরি লৈননা মহাক্না হায়, দিষ্ট্রিক্ট লেবেল পোলিটিকেল কনফরেন্স মমাং থাদগী চত্থবা হৌরে। হায়রিবা কনফরেন্স অসি মথং থা ফেব্রুৱারি তাং ১২ দা লোইশিনগনি। চৎলিবা থা অসিগী তাং ২২ দা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরদা এন পি এফকী পোলিটিকেল কনফরেন্স পাঙথোক্কনি অদুগা চান্দেলগী ওইনা তাং ২৯ দা পাঙথোক্কনি। অদুগা ফেব্রুৱারি তাং ৭ তা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী অমসুং তাং ১২ দনা সদর হিলস য়াওনা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট পোলিটিকেল কনফরেন্স মথং মথং পাঙথোক্কনি। হায়রিবা পোলিটিকেল কনফরেন্সশিং অসিদা নাগালেন্দগী পার্টিগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াগনি হায়রি।

# সেক্সুয়েল ভাইওলেন্সকী পব্লিক হিয়ারিং গুৱাহাটিদা পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ঃ* ৱুমেন ইন গভর্নান্স (ৱিং–ইন্দিয়া)না শীন্দুনা চৎলিবা থা অসিগী হৌখিবা তাং ৮ অমসুং ৯দা আসামগী গুৱাহাটিদা সেক্সুয়েল ভাইওলেন্সকী পব্লিক হিয়ারিং চত্থখরে হায়না এসিয়ান হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না মেদিয়াদা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নুমিৎ নিনি চুপ্পা ষ্টেট লেবেলদা চত্থখিবা পব্লিক হিয়ারিং অদুদা মশক নাইবা জুরিশিংগী মমাংদা সেক্সুয়েল ভাইওলেন্সকী কেস ২১ গী ৱাকৎ তারবা মতুং কেসশিং অদু লোয়শিনবা ঙমখ্রে। জুরি মেম্বর ওইনা য়াওখিবশিংদি দলিট রাইট এক্তিভিষ্ট মঞ্জুলা প্রদিপ, ৱুমেন রাইট এক্তিভিষ্ট রোসনি গোশামি, একাদমিসিয়ান রাখি কোলিতা, হ্যুমেন রাইটস লোয়র গাইত্রি সিং, অমদি সবদা রাধা, হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট বাব্লু লোইতোংবম অমদি হেনরি টিফাগনে য়াওখি। মখোয়না তোঙান তোঙানবা সোসিয়েল, ইকোনোমিক অমসুং লিগেলগী ওইবা মচাক কয়া পীবগা লোয়ননা লিগেল মেকানিজম মতাংদা অকনবা রিকোমেন্দসন থমখি।

নুমিৎ নিনিগী পব্লিক হিয়ারিং অদুনা লৌখৎখিবা কেস ২১গী মনুংদা গেং রেপ, মোলেষ্টেসন, এসিদ এটেক্ট, মেরিটেল রেপ, সেক্সুয়েল এসোল্টনচিংবা য়াওরি। হায়রিবা কেসশিং অসি আসামগী দিষ্ট্রিক্ট ১১ হায়বদি কাছার, কামরুপ, কোক্রাঝার, চিরাং, তিনসুকিয়া, জোরহাট, নাওগোং, দ্রিবুগর, মঙ্গোদোই, এন সি হিলস অমদি দিমাহসাওনি। জুরি মেম্বরশিংবু কেস খুদিংমক্কী দোক্যুমেন্টশিং অদু নিংথিনা য়েংশিনবগা লোয়ননা মখোয়গী ৱাকৎ তারবা মতুং ভিক্টিম অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা ৱারী ৱাতাই শানখি। তুংদা ঙসি গুৱাহাটিদা মেদিয়া পার্সনশিংগা লোয়ননা ইন্টরিয়ম রিপোর্ট অমসু শেম শাখি হায়রি। রিপোর্ট অদু অথুবা মতমদা ফোঙদোক্লগনি হায়নসু পাউ অসিনা পল্লি।

এসিয়ান হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন অসি রিজনেল নন গভর্নমেন্টেল ওর্গনাইজেসন অমা ওইনা এসিয়া হ্যুমেন রাইটসকী মরমদা নিংথিনা মোনিটর তৌরি। হোং কোংদা বেজ তৌবা গ্রুপ অসি ইং ১৯৮৪ দা শেমখিবনি।

# সিকোনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ঃ* ইমা ইমোইনুগী ইরাৎ থৌনি থৌরম ঙরাং পাক–শন্না পাঙথোক্লখিবা অদুগীদমক সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো) না মীয়ামবু ঙমখৈ লৈতনা হরাওবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

সিকোগী সেক্রেটরি ৱুমেন দিভিলপমেন্ট তনু ৱাহেংবম্না ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা ইনাৎকীদমক চংশিল্লকপা থবক থৌরমশিংদা মীয়াম্না মপুং ফানা শৌগৎপীরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থম্বগা লোয়ননা কংলৈ মীয়ামদা কোক নোঞ্জরি হায়রি।

কংলৈ খুন্নাইগী শিখরুরবা লোল ইনাৎ অমসুং লাইনিংনচিংবা হিঙ্গৎ ইহৌ কনখৎহনবা হায়বসি কংলৈচাশিংগী মাংদা তারবা তঙাই ফদবা তৌফম থোকপা ইথৌদাংনি। কংলৈচাশিংনা মশাগী লোল, ময়েক লাইনিং ইনাৎকী ওইবা চৎনরোল থৌরম পরেং শুনা লৈজে হায়বা ফাওবা হায়জবা ঙমদনা অনম অহা তুফক তুফাই চন্দুনা অমদি য়াম্না শোন্থনা মীপাল তাংবগী হৈনবীদা মতম শাংনা লুপশিন্দুনা লৈরক্লি। মদুনা মরম ওইদুনা ইশাগী ইচাক ইরল কয়া কাওরি, লম্বী লমফৈননা চৎলি, অতোপ্পা মনাৎতা ইনাৎ শানা হিংলি, ইনাৎকী ৱা ঙাংলকপদা হাকৎচবা ফাওরি। অদুনা ঐখোয়গী হান্নগী লিচৎতা হৌগৎ কাংখৎপা ঙম্নবা হোৎনজবগী হক চপ চানা ঐখোয়দসু লৈ হায়বসি নিংশিংবগা লোয়ননা মীকপ থোক্তুনা লমগী যন্না মচি শাংহন্নিংবগী হৈনবি থাদোকপা মতম ওইরে হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মখা তানা হায়রিবদি হৌজিক্কী মীপাইনিংঙাই ওইরবা ফিভমসিদগী সিকোনা কংলৈ খুন্নাইগী খাংতপ্তা মহুৎ শিনজিনখ্রবা ইনাৎকী থৌরম পরেংশিং, হরাও কুন্মৈশিং, ইনাৎকী মশান্নশিং, অরিবা খুভমশিং অমদি ইনাৎকা মরি লৈনবা থবক থৌরমশিং নৌহৌননা হিঙ্গৎহন্নবা মীয়ামগা খুৎশম্নদুনা খোঙ থাংবা হৌরক্লি। মরম অদুনা চংশিল্লিবা ইনাৎকী থৌরমশিংবু য়োকখৎ হিঙ্গৎনবা কংলৈপাক মীয়ামগীদমক হোৎনজরিবা অসিদা মীয়াম্না কো–ওপরেসন পীবিয়ু। কন্সত্রক্তিভ আইদিয়া, মোরেল সপ্পোর্ট পীবিয়ু, ইশাগী চৎনরোল কনবা য়োকখৎ হিঙ্গৎহনবা হায়বসি মালেমগী লৈঙাক পথাপ্পা য়ারিবনি হায়রি।

# রোদ সেফটি এৱ্যারনেস কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ঃ* হৌখিবা তাং ১১ দগী ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা চত্থরিবা ২৫ শুবা রোদ সেফটি ৱিক ২০১৪ গা মরি লৈননা ঙসি খ্বাইরম্বন্দগী ইমা কৈথেল কমপ্লেক্সতা রোদ সেফটি এৱ্যারনেস কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে।

ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা অয়ুক পুং ১১ দগী হৌনা কেম্পেইন অদু চত্থখি। লোয়ননা মীয়ামদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা অমদি লম্বী চৎপগী নিয়ম ঙাক্লবা খঙহনবগা লোয়ননা আপিল তৌখি।

লাক্লিবা তাং ১৬ ফাওবা চত্থগদবা থৌরম অসিগী মনুং চন্না হয়েং ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা স্কুল মহৈরোয়শিংগী ওইবা ত্রাফিক রুলসকী স্পিসিয়েল ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্কনি। প্রোগ্রাম অসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা দি টি ওগা খুৎশম্নরগা খুমবোংদা লৈবা নবোদ্যা বিদ্যলয়াদা অদুগা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকীনা দি টি ও ইম্ফাল ইষ্টকা খুৎশম্নরগা পাঙ্গৈদা লৈবা সাইনিক স্কুলদা পাঙথোক্কনি হায়রি। মখা তানা তাং ১৫ দা প্রোফেস্নেল দ্রাইভরশিংগী ওইবা রিফ্রেসর কোর্স তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা পাঙথোক্লবসু থৌরাং তৌরি।